# ষ্টেট এসেমব্লিশিংগী মখোয়গী ওইবা প্রিভিলেজশিং লৈ হায়না কেরলাগী চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে

*থিরুভনন্তা পুরম, জনুৱারি ০১(এজেন্সি)ঃ* সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সি এ এ)গী মায়োক্তা ৱারেপ অমা লৌনবগী খোঙথাং অদু কেরলা চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ী বিজায়ননা ঙসি কন্না ঙাকথোকখ্রে অমসুং ষ্টেট এসেমব্লিশিংনা মখোয়গী ওইবা প্রিভিলেজশিং লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কেরলা গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং অদুবু কনষ্টিট্যুসনদা ঈকাইবা পীবা অমনি হায়না বি জে পিনা অকনবা ক্রিটিসিজম তৌরকখিবদা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখিবা লোশিং থবক্তা ওন্থোক্লবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংগী কনষ্টিট্যুসনেল দ্যুটি লৈ হায়না য়ুনিয়ন লো মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রশাদনা হায়খি।

শেমদোক্লবা সিটিজেনসিপ লো অদু থবক ওইনা পাংথোক্লোই হায়রিবা ষ্টেটশিংনা অসিগুম্বা ৱারেপশিং অসি লৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মখোয়না লিগেল ওপিনিয়েন হান্না লৌগদবনি হায়নসু মিনিষ্টরনা হায়খি।

ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কেরলা ষ্টেট এসেমব্লিনা অসুন্না তৌবদা লৈবাকসিগী অহানবা ষ্টেট অদু ওইনা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সি এ এ)গী মায়োক্তা রিজোলুসন অমা পাস তৌখি।

ষ্টেট এসেমব্লিশিংগী মখোয়গী ওইবা প্রিভিলেজশিং লৈ। অসিগুম্বা থবকশিং অসি মফম অমত্তদা তারমখিরোই, অদুবু হৌজিক লৈবাক অসিদা মমাঙদা অমুক্তা থোকিখিদবা থৌদোকশিং থোক্লবনা লৈরিবা ফিভম অসিদা ঐখোয়না তৌবা য়ারোইদবা লৈতে হায়না মহাক্না হায়খি।

এসেমব্লিশিংগী মশাগী স্পিসিয়েল প্রোটেক্সন লৈজে অমসুং মদু থুগাইরোইদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

কনষ্টিট্যুসনগী ফন্দমেন্টেল প্রিন্সিপলশিং থুগাইবা লো অমগী মায়োক্তা ৱারেপ অমা পাস তৌবদা কেরলানা অহানবা ষ্টেট ওইরে। মসিগী মরুওইবা য়াম্না লৈ হায়না চীফ মিনিষ্টর বিজায়ননা হায়খি।

অদুম ওইনমক বি জে পিগী লুচিংবশিংনা কেরলা গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা কন্না লেপখি। বি জে পিগী রাজ্য সভা মেম্বর জি ভি এল নরসিমহ রাওনা হাউস চিয়ারমেন এম ভেনকয়া নাইদুদা কেরলা গভর্ণমেন্টকী মথক্তা পার্লিয়ামেন্টরি প্রিভিলেজশিং থুগাইবা অমসুং কন্টেম্পগী, থবক লৌখৎহন্নবা চে ইখি।

বি জে পি লীদর মুখতার অব্বাস নকবিনসু সি এ এ অদু লৌথোকহন্নবা রিজোলুসন অমা পাস তৌনবা কেরলা এসেমব্লিনা কনষ্টিট্যুসন অমসুং পার্লিয়ামেন্টপু ঈকাইবা পীরে হায়খি।

বি জে পি নৎতবা পার্টিশিংনা গভর্ণমেন্ট পায়বা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিং, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মমতা বেনর্জিগুম্বনা সি এ এ চৎনহল্লোই হায়না লাওথোকখ্রে। অদুগা লো অদুগী মায়োক্তা মখোয়গী ফিরেপ অদু রেজিষ্টার তৌনবা লেজিসলেচরগী লম্বীদা চত্থরকপদা সি পি এমনা পানবা কেরলানা অহানবা ওইরে।

লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্তা মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রিবা প্রোটেষ্টশিং চত্থহল্লকখিবা সি এ এগী মতাংদা পোলিটিকেলগী খেন্নবশিং থাদোক্লদুনা কেরলাগী লৈঙাক পায়রিবা সি পি এমনা লুচিংবা এল দি এফ অমসুং ওপোজিসন কোংগ্রেসনা লুচিংলিবা য়ু দি এফনা সেন্টরগী মায়োক্তা পুন্না থেংননবা অমুক্কা হন্না অমত্তা ওইনা পূশিন্নখ্রে।

রিজোলুসন অসু মুভ তৌখিবা চীফ মিনিষ্টর বিজায়ন অমসুং মদুবু সেকেন্দ তৌখিবা লিদর ওফ ওপোজিসন রামেশ চেনিথালানা সি এ এবু ইন্দিয়াবু রিলিজিয়স নেসন অমা ওইহন্নবা হোৎনরকপনি হায়খি।



# পাকিস্তাননা চিনাগা খূৎশন্নরগা শাখিবা ফাইটর পুথোকখ্রে

*ইস্লামাবাদ, জনুৱারি ০১(এজেন্সি)ঃ* পাকিস্তাননা মখোয়গী মতম অমসুং ফিভম পূন্নমক্তা মরুপ অমা ওইরিবা চিনাগা খূৎশন্নরগা শাবা সিট ২ পানবা ফাইটর জেটশিংগী অহানবা কাংলূপ অদু পুথোক্লকখ্রে।

ফাইটর জেটশিং অদু পুথোক্লুনা মীয়ামদা উৎপগী অচৌবা থৌরম অমা ইরাই নুমিৎতা ইস্লামাবাদ মনাক্কী কামরাদা লৈবা এয়ারক্রাফ মেনুফেকচরি ফেক্টরিদা পাংথোকখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা পাকিস্তান এয়ার ফোর্সনা হায়খি।

এয়ারক্রাফ মেনুফেকচরি ফেক্টরি অদুদা পাংথোকখিবা অচৌবা থৌরম অদুদা পাকিস্তানগী এয়ার চীফ মার্সেল মুজাহিদ অনৱার খান, চাইনিজ এম্বেসেদর য়াও জিং অমসুং এভিয়েসন ইন্দষ্ট্রিজ ওফ চিনাগী একজিক্যুটিব ভাইস প্রসিদেন্ট হাও ঝাওপিং শরুক য়াখি।

চিনা নেসনেল এরো-টেক্নোলোজি ইম্পোর্ট এন্দ এক্সপোর্ট কোর্পোরেসন (সি এ টি আই সি)গা খূৎশন্নরগা পাকিস্তান এরোনোটিকেল কমপ্লেক্স (পি এ সি)না সিট ২ পানবা জে এফ -১৭ এয়ারক্রাফ ৮গী অহানবা কাংলূপ অদু শাখিবনি।

থা ৫গী রেকোর্দ মতম অমদা ফাইটর জেটশিং অদু মপুং ফানা শাবা লোয়শিনখিবদা এয়ার চীফ মার্সেল মুজাহিদ অনৱার খাননা পি এ সি অমসুং সি এ টি আই সিবু থাগৎখি।

সিট অনীগী ভেরিয়েন্ট পুথোকখিবা অদু জে এফ-১৭ প্রোগ্রামগীদমক শীংথানিঙাই ওইবা থবক অমনি অমসুং মতম কুইনদগী লৈরক্লবা সিনো-পাক ফ্রেন্দসিপ অদুগী অশেংবা মশক অদু উৎপা অমনি হায়না মহাক্না হায়খি।

মহাক্না জে এফ -১৭ থন্দর অদুবু পাকিস্তান এয়ার ফোর্সকী য়াঙলেন শরু অদুনি হায়না শীংথাখি।



# কেমেরুন হিথাংফম মনাক্তা ঈশিং ডাকুশিংনা গ্রীক ওইল টেঙ্করদগী কেপ্টেন অমসুং ক্রু মেম্বর ৭ ফাখ্রে



*এথেন্স, জনুৱারি ০১(এজেন্সি)ঃ* খূৎলাই পায়বা মীওইশিংনা কেমেরুনগী ইকোনোমিক্কী কোনুং দৌলা মনাক্তা গ্রীক ওইল টেঙ্কর অমদা এটেক তৌরকখ্রে অমসুং জহাজ অদুগী গ্রীক কেপ্টেন অদু য়াওনা মীওই ৮ ফাখ্রে হায়না মার্চেন্ট মেরিন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

লিম্বে হিথাংফমদা এঙ্কোর তৌদুনা লৈবা হেপ্পি লেদি কৌবা গ্রীক ওইল টেঙ্কর অদুগী ক্রু মেম্বর ২৮গী মনুংদা গ্রীক ৫, ফিলিপিনো ২ অমসুং য়ুক্রেনিয়ান ১ অদু ফাখিবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা মিনিষ্ট্রি অদুনা হায়খি।

গ্রীক নেসনেল ক্রুমেন অমা হায়দোক্লকপা মরু অমনা পানবদা মখূৎতা শোকখি অমসুং মহাক মফম অদুগী হোস্পিটাল অমদা পুখৎখ্রে হায়না হিথাংফম পুলিসনা হায়খি।

গ্রীক ফোরেন মিনিষ্ট্রি অমসুং ওইল টেঙ্কর অদুগী ওপরেটর অদুগা লোয়ননা মার্চেন্ট মেরিন মিনিষ্টর য়ান্নিস প্লাকিওটাকিসনা থৌদোকশিং অদু কুপ্না য়েংশিল্লি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

হিথাংফম অদুগী পুলিস প্রেস ওফিসনা এথেন্সতা লৈবা ইষ্টর্ন মেদিটরিনিয়ান এথেন্সনা জহাজ অদুগী মপুনি হায়খি।

সমুদ্রগী ঈশিং লমদা চত্থবা পাইরেসিনা সব-সহরান অফ্রীকাগী মরুওইবা থাও পুথোকপা ২-নাইজেরিয়া অমসুং এঙ্গোলাগী ওপরেসনশিং অপনবা থোকহনখি অমসুং দোল্লর বিল্লিয়ন কয়া মাঙহন্দুনা কন্টিনেন্ট অসিগী মথৌ তারিবা ইন্টরনেসনেল মেরিটাইম ট্রান্সপোর্টতা থিনা শোকহনখি।

সেনেগালদগী এঙ্গোলা ফাওবগী কিলোমিটর ৫,৭০০ রোম শাংবা মফমশিং কোনশিল্লিবা গল্ফ ওফ গিনিয়াদা পাইরেট এটেকশিং, লুটিং অমসুং কিদনেপিংশিংগী অনৌবা মালেমগী ইপিসেন্টর অদু ওইরকখ্রে।

মদু মরুওইনা নাইজেরিয়াগী সমুদ্র তোর্ব্বান পরিংদা রেনসমগীদমক ঈশিং ডাকুশিংনা চত্থবা থবকশিংনি। ইন্টরনেসনেল মেরিটাইম ব্যুরোগী মতুং ইন্না জনুৱারিদগী সেপ্টেম্বর ফাওবা মালেমগী মনুংদা থোকখিবা মেরিটাইম কিদনেপিংশিংগী চাদা ৮২ গল্ফ ওফ গীনিয়াদা থোকই হায়খি।

পাইরেটশিংনা অদুনা করিগুম্বদা নুমিৎ কয়ানিরোম, জহাজদা য়াওরিবা পোৎচৈশিং অদু লৌথনবগী মতিক চাবা মতম শাংনা জহাজশিং মফম থৈদোক্লগা থম্মি অমসুং জহাজগী ক্রুশিং অদু থাদোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা রেন্সম ওইনা য়াম্লবা শেনফম দিমান্দ তৌই।

# জে এন্দ কে হায় কোর্টনা পান-ইন্দিয়া বেসিসতা দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট ভেকেন্সিশিং মেনশিন্নবগী নোটিফিকেসন অদু অমুক হন্দোকখ্রে





*জম্মু, জনুৱারি ০১(এজেন্সি)ঃ* হৌখিবা চহীগী আগষ্ট থাদা কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ মুখৎখ্রবগী মতুং ইন্দিয়ান পূন্নমক্তা ইমপ্লোয়ীমেন্টকী থোঙ হাংদোকখিবা অদুগী মায়োক্তা ওপোজিসননা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লকখিবা জে এন্দ কে অমসুং লদাখ য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিংদা নন-গেজেটেটকী ফম ৩৩ মেনশিন্নবা জম্মু এন্দ কাশ্মির হায় কোর্টকী এদভর্টিজমেন্ট নোটিফিকেসন অদু কোর্ট অসিনা অমুক হন্দোকখ্রে।

অহাংবা ফমশিং মেন্সিন্নবগী এভর্টিজমেন্ট অদু জনুৱারি ৩১ ২০২০না এপ্লিকেসন পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ ওইরগা দিসেম্বর ২৬ ২০১৯দা জে এন্দ কে হায় কোর্টকী রেজিষ্ট্রার জেনরেল সঞ্জয় ধরনা থোকখিবনি।

জম্মু এন্দ কাশ্মির হায় কোর্টতা নন-গেজেটেট কেটেগোরিগী তোঙান-তোঙানবা ফমশিংগীদমক এপ্লিকেসনশিং কৌখিবা দিসেম্বর ২৬ ২০১৯গী এদভর্টিজমেন্ট নোটিস অদু খুদক্তগী হন্দোক্লে হায়না মরি লৈনবা পূন্নমক্তা খঙহল্লি হায়না ঙরাং লৈবাকপোকপগী নুমিদাংৱাইরমদা থোকখিবা অনৌবা নোটিফিকেসন অমদা কোর্টকী রেজিষ্ট্রার জেনরেল অসিনা হায়খি।

নোটিফিকেসন অদু অমুক হন্দোকখিবগী মরম অদু পীদ্রবসু ওইরক্লিবা অনৌবা ফিভম অসি নেসনেল কনফরেন্স, জে কে এন পি অমসুং লেফ্ট পার্টিশিংনা জে এন্দ কেদা গভর্ণমেন্টকী থবকশিংদা লমদম অদুগী মীওইশিংগীদমক রিজার্ব তৌনবা দিমান্দ তৌখিবনি। পার্টিশিং অসিনা হায় কোর্টনা ইন্দিয়াগী অতৈ মফমদগী অতৈ মীওইশিংবুসু মফম অদুদা থবক তৌবা য়াহন্নবগী থোঙ হংদোকখিবগী মায়োক্তা কন্না প্রোটেষ্ট তৌরকখিবদগীনি।

মফমদুগী মীওইশিংদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা থবক পীবগী হিরম অসিগী মতাংদা হংলকখিবগী ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা জম্মু এন্দ কাশ্মির এদমিনিষ্ট্রেসনগী ৱাঙাংলোই রোহিদ কনসালনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা প্রেস কনফরেন্স অমদা মদুগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা মখল কয়াগী ফোঙদোক্লরকপা ৱাফমশিং ফংলে অমসুং ৱাফমশিংদু য়েংশিল্লি হায়খিবনি।

# পাকিস্তাননা ন্যুক্লিয়ার ইনষ্টোলেসনশিংগী লিষ্ট ইন্দিয়াদা পীরকখ্রে

*ইস্লামাবাদ, জনুৱারি ০১(এজেন্সি)ঃ* বাই-লেটরেল এগ্রিমেন্ট অমগী মখাদা পাকিস্তাননা ঙসি মখোয়গী ন্যুক্লিয়ার ইনষ্টোলেসনশিংগী লিষ্ট অমা ইন্দিয়াদা পীরক্তুনা পূন্না খঙমিন্নরকখ্রে।

দিসেম্বর ৩১, ১৯৮৮তা পাকিস্তান অমসুং ইন্দিয়াগগী মরক্তা সহি তৌনখিবা ন্যুক্লিয়ার ইনষ্টোলেসনশিং অমসুং ফেসিলিটিশিংদা এটেক তৌনদনবগী এগ্রীমেন্ট অদুগী আর্টিকল -২গী মতুং ইন্না পাকিস্তানগী ন্যুক্লিয়ার ইনষ্টোলেসনশিংগী লিষ্ট অদু ইন্দিয়ান হায়-কমিসন ওফিসিয়েল অমদা খূৎশিন্নরকখি হায়না ইস্লামাবাদতা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোরেন ওফিসনা হায়খি।

ন্যু দিল্লিদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ারসনা ইন্দিয়ান ন্যুক্লিয়ার ইনষ্টোলেসনশিং অমসুং ফেসিলিটিশিংগী লিষ্ট অদু ন্যু দিল্লিদা লৈবা পাকিস্তান হায় কমিসনগী মীহুৎ অমদা ঙসি অয়ুক পুং ১১দা খূৎশিন্নখ্রে হায়না ফোরেন ওফিসনা হায়খি।


লৈবাক অনীগী মরক্তা তৌনখিবা এগ্রীমেন্ট অদুদা চহী খুদিংগী জনুৱারি ১দা মখোয়গী ন্যুক্লিয়ারগী ইনষ্টোলেসনশিং অমসুং ফেসিলিটিশিং লৈবাক অনীমক্না অমনা অমদা পাউ খঙহনবা হায়বা প্রোভিজন য়াওরি।

ফোরেন ওফিসকী মতুং ইন্না মসি ১৯৯২গী জনুৱারি ১দগী মথং-মথং চত্থরক্লি হায়রি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা ঙসি পাকিস্তাননা লৈবাক অদুগী জেলশিংদা লৈরিবা সিভিল ৫৫ অমসুং ঙামী ২২৭ য়াওনা ইন্দিয়া বন্দি ২৮২গী লিষ্ট অমা ইন্দিয়ান হায় কমিসনদা পীরকখ্রে। মদু লৈবাক অনীগী মরক্তা তৌনবা এগ্রীমেন্ট অমগী মতুং ইন্ননি।

খোঙথাং অদু ২০০৮ মে ২১দা সহি তৌনখিবা কোন্সুলার এক্সেস এগ্রীমেন্ট অদুগী প্রোভিজনশিংগী মতুং ইন্ননি হায়না ফোরেন ওফিসনা হায়খি।

লৈবাক অনী অসিনা মখোয় মখোয়গী কষ্টদিদা লৈরিবা বন্দিশিংগী লিষ্ট অদু জনুৱারি ১ অমসুং জুলাই ১দা চহী অমদা অনীরক পীন্নগদবনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনসু ন্যু দিল্লিদা লৈবা পাকিস্তান হায়-কমিসনদা পাকিস্তানগী বন্দিশিংগী লিষ্ট খূৎশিন্নগনি হায়না ফোরেন ওফিসনা হায়খি।



# নোর্ঠ কোরিয়াগী কিম জোংনা মিসাইল টেষ্টশিং লোইশিনখ্রে অমসুং অনৌবা খূৎলাই উৎলগনি কিহনখ্রে

*সিরো, জনুৱারি ০১(এজেন্সি)ঃ* নোর্ঠ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উননা ন্যুক্লিয়ার অমসং ইন্টর-কন্টিনেন্টেল বালিষ্টিক মিসাইলগী টেষ্ট তৌবা লোয়শিল্লে লাওথোকখ্রে অমসুং থুনমক অনৌবা ষ্ট্রেটেজিক ওইবা খূৎলাই অমা উৎলগনি হায়না কিহনখ্রে।

ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ষ্টেট মেদিয়ানা ফোঙদোকখিবা লাওথোক ৱারেল অদু প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পকী মকোকতা মিসাইল অমনা কিম জোং উননা থম্বগা মান্নে হায়না এনালিষ্টশিংনা ফোঙদোকখি, অদুবু পিয়োংয়াংনা লানগী কায়হৌরক্লিবা অদুগীসু মনিং হন্দুনা কাপ্লকপা য়াবা লৈ হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

ওইরক্লিবা ফিভম অদু প্রসিদেন্ট ট্রুম্পনা করিসু থৌওইদনা খল্লি অমসুং নোর্ঠ কোরিয়াগা শান্তি ওইনা লৈমিন্নবা য়ু এসনা পাম্মি, মায়োক্লবা পামদে হায়না চেৎনা পল্লদুনা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা অতোপ্পা তোঙানবা লম্বী অমা চত্থনবা কিম জোং উনদা আপিল তৌদুনা ৱাসিংটননা থুনমক পাউখুম পীখি।

পিয়োংয়াংনা মমাঙদা য়ু এসকী মরুওইবা কংফাল লম পূম্বা য়ৌবা ঙম্বা মিসাইলশিং কাপখ্রে অমসুং ন্যুক্লিয়ার টেষ্ট ৬ পাংথোকখ্রে। ন্যুক্লিয়ার টেষ্টশিং অদুগী মনুংদগী অকোনবা অদুদি খ্বাইদগী মশীং য়াম্না হোৎপগী মতুং ইন্না হিরোসিমাদা পোকখায়খিবা চাং অদুদগী ১৬ হেল্লি হায়খি।

লুচিংবা কিম জোং উননা লৈঙাক পায়রিবা পার্টিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংদা হায়খিবা ৱারোল পল্লদুনা ওফিসিয়েল কে সি এন এ ন্যুজ এজন্সিনা ঐখোয় নাকন নামতনা থম্বা মফম অমত্তনা পূশিনবগী মথৌ তাবা লৈতে হায়খি।

মালেমনা ইকুই কুইদনা অনৌবা ষ্ট্রেটেজিক ৱিপন অমা দি পি আর কেনা পায়বা অদু উবা ফংলগনি হায়না পার্টিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অদুদা কিম জোং উননা হায়খি।

নোর্ঠ কোরিয়াগী লৈঙাক পায়রিবা ৱার্কর্স পার্টিগী সেন্ট্রেল কমিটিগী মপু ফাবা মীফম অদু অচৌবা পোলিসিগী অহোংবা অমা লাক্কদবগী ইঙ্গিৎ অমনি।

ঐখোয়গী ষ্টেটকী ফগদবশিংগী ওন্ন-তৈনবা দিমান্দশিং য়ু এসনা থাঙ্গৎলি। ৱাসিংটননা অচৌবা অমসুং অপীকপা অপুনবা মিলিটরি দ্রিল কয়া পাংথোকখ্রে অমসুং সাউঠ কোরিয়াদা অৱাংবা থাক্কী মিলিটরি ইক্যুপমেন্ট থাজিনলকখ্রে হায়না নোর্ঠ কোরিয়া লুচিংবা কিম জোং উননা হায়খি।

নোর্ঠ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার অমসুং বালিষ্টিক মিসাইল প্রোগ্রামশিংগী মতাংদা লৈবাক অসিগী মথক্তা থমঞ্জিল্লিবা ইন্টরনেসনেলগী সেঙ্কসনশিং অদু কোমথোকহন্নবা থা কয়া পিয়োংয়াংনা দিমান্দ তৌদুনা লাকখি, অমরোমদা ৱাসিংটননা নোর্ঠ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামশিং অদু থাদোক্লবগী মশক থোকপা অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা তক্লদুনা লৈরি।

নোর্ঠ কোরিয়ানা খ্বাইদগী হেন্না পাম্বা কোমথোকপা অনী হায়বদি-সেঙ্কসনগী পোৎলুমদগী কোকহনবা অমসুং সেক্যুরিটি গেরেন্টিগী মখল খরা ফংনবা নোর্ঠ কোরিয়ানা দোনাল্ড ট্রুম্পকী মকোক্তা আই সি বি এম অমা থমখ্রে হায়না সেন্টর ফোর নেসনেল ইন্টরেষ্টকী হেরি কাজিয়ানিসনা ৱাসিংটনদা হায়খি।



# এল ও সিদা চংশিল্লকপা পাকিস্তানিশিংগা নোংমৈ কাপ্নবদা লান্মী ২ শিখ্রে



*জম্মু, জনুৱারি ০১(এজেন্সি)ঃ* ইন্দিয়াগা পাকিস্তানগা তায়নবা ঙমখৈ লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি)গী পরিংদা লোন্না চংশিন্নবা হোৎনরকপা খূৎলাই মতিক চানা পায়রবা পাকিস্তানিশিংগা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অমদা ইন্দিয়ান আর্মিগী লান্মী ২ শিখ্রে।

থৌদোক অদু ঙসি য়ুমশকৈশাগী নুমিৎতা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী রাজৌরি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লাইন ওফ কন্ট্রোলগী পরিংদা থোকখিবনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

পাকিস্তান -ওকুপাইদ কাশ্মির (পি ও কে)দগী ইন্দিয়াগী মনুং লোমদা পাকিস্তানিশিং অদুনা লোন্না চংশিন্নবা খারি থ্রয়াত ফোরেষ্ট ফাওদুনা লাকখিবা মতমদা মখোয়বু থৎখিবনি হায়না ওফিসিয়েলশিং অদুনা হায়খি।

রাজৌরি দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা নাওসেরা সেক্টরদা ইন্দিয়ান আর্মিনা কোয়শিন্দুনা থিবা-হুম্বগী থবক চত্থরকপদা পাকিস্তানিশিং অদুগা মায়োক্লদুনা নোংমৈ কাপ্নখি অমসুং মদুদা আর্মিগী লান্মী ২ শিখি।

ওপরেসন অদু হৌজিকসু মখা চত্থরি অমসুং মখা তাবা অকুপ্পা পাউ ঙাইরি হায়না জম্মুদা লৈবা ইন্দিয়ান আর্মিগী পব্লিক রিলেসন্স ওফিসার (পি আর ও) লেফটনেন্ট কর্নেল দেবেন্দর আনন্দনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

টেরোরিষ্টনি চিংনবা মীওইশিং চখোক-চৎশিন তৌরে হায়বা পাউ ফংবদগী থিবা-হুম্বগী থবক অদু চত্থখিবনি।

মদুদা লেন্না চংশিন্নবা হোৎনরক্লিবা পাকিস্তানি খূৎলাইপাইবশিং অদুনা ইন্দিয়ান ট্রুপশিংগী মথক্তা নোংমৈ কাপশিল্লকখি অমসুং কন্না নোংমৈ কাপনরকপদা লান্মী অনী অদু শিখিবনি হায়না ওফিসিয়েলশিং অদুনা হায়খি।

হৌজিক মফম অদুদা পাকশন্না ওপরেসন অমা চত্থরি হায়না মখোয়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# সিরিয়া গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী সেলনা স্কুলদা পানখ্রে

*ইদলিব, জনুৱারি ০১(এজেন্সি)ঃ* সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপতা ইদলিব প্রোভিন্সকী মনুংদা লৈবা রিবেলনা পায়বা খূঙ্গং অমদা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা সেল কাপশিনবদা স্কুল অমদা পানখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ৬ শিখ্রে হায়না ওপোজিসন এক্টিভিষ্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

অল কৈদাগা মরী লৈনবা সিরিয়াদা রিবেলশিংগী লৈহৌরিবা ইকোন কোনবা মফম ওইরিবা ইদলিব প্রোভিন্সতা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী এটেক অদু হৌখিবা চয়োল অনীদা খূঙ্গংশিং অমসুং হেমলেটশিং ৩০ হেন্না খুদুম চনখ্রবা সিরিয়ান ট্রুপশিংগী চত্থরক্লিবা লাঞ্জং অমগী শরুকনি।

মিলিটেন্টশিংনা ইদলিব প্রোভিন্সকী অয়াম্বা মফমশিং পায়দুনা লৈরি। প্রোভিন্স অসি মীওই মিল্লিয়ন ৩ লোম লৈ।

দিসেম্বর ১৯দগী সিরিয়ান ট্রুপশিংনা লৈখাগী এটেক হৌখিবা মতুংদগী আর্টিলরি সেল কাপ্পা অমসুং নোংথক্তগী এটেক তৌবা হেন্না কনশিল্লকখি।

ফিভম অসিদগী দিসেম্বর ১২দগী দিসেম্বর ২৫ ফাওবগী মনুংদা মীওই ২৩,৫০০ হেন্না ময়ুম থাদোকহনখ্রে। সিরিয়ান ট্রুপশিংনা তপ্না-তপ্না চংশিল্লক্লিবা মারেট অল-নুমান টাউনদগী মীওই কয়া লাঞ্জেনখ্রে হয়না কোওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিটরিয়ান এফিয়ারসকী য়ু এন ওফিসনা হায়খি।

সিরিয়ান ষ্টেট মেদিয়া অমসুং লন্দনদা লৈবা সিরিয়ান ওবজাভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসকী মতুং ইন্না টর্কিনা শৌগৎপা ফাইটরশিংনা পায়বা সুলুক টাউনদা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কার বোম পোকখায়হনবগী এটেক অমদসু মীওই ৩ শিখ্রে হায়খি।

# মেক্সিকোগী জেলদা ফুগাইনবদা বন্দি ১৬ শিখ্রে

*জাকাটেকাস, জনুৱারি ০১(এজেন্সি)ঃ* মেক্সিকোগী অৱাং থংবা ষ্টেট জাকাটেকাসতা রিজনেল সেন্টর ওফ সোসিয়েল রিইন্টিগ্রেসন (সেরেরেসো)দা মশেন ফুগাইনবদা বন্দি ১৬ শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা বন্দি ৫ শোকখ্রে হায়না মফমদুগী পব্লিক সেক্যুরিটি মিনিষ্ট্রিনা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

নুংথিল পুং ৫ রোম তাবদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী অপূনবা অমনা চংশিন্দুনা বন্দিশিংনা খৎনরিবা অদু লেপফন্নবা হোৎনখি। থৌদোক অদুদা মীওই ১৫ খুদক্তা মফমদুদা শিখি। অশোকপা মীওই ৬ হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি অমসুং কোন্না বন্দি অমা শিখি হায়না ত্বিটরদা পব্লিক সেক্যুরিটি মিনিষ্ট্রি অদুনা হায়খি।

খূৎ থোক্লবশিং অদুগী মখা তারকপদা লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সিনা নোংমৈ ৪ অমসুং অতৈ খূৎলাইশিং ফংখি।

মিনিষ্ট্রি অদুগী মতুং ইন্না চয়োল অমগী মমাঙদা চত্থখিবা মপুং ফাবা ইনস্পেকসন অমদা বন্দিশিং অদুনা অথিংবা থম্বা পোৎ কয়ামরুম থল্লম্বা থেংনখি।

মেক্সিকোগী জেলশিংদদি অসিগুম্বা হিংশাগী থৌদোক অমসুং খূৎ থোক্লবশিং তোয়না থোকই।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-347**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 9 | | 2 | | 3 | 4 |
| 3 | 7 | | | | | 2 | 1 | |
| 9 | | 6 | | 1 | | | | 7 |
| 6 | 8 | | | 2 | | 3 | | |
| | 9 | 1 | | | 3 | | 2 | |
| | | 2 | | | 7 | | | 1 |
| | 1 | 3 | | | 9 | | | |
| | | | 2 | 3 | | | | 6 |
| 2 | | | 1 | | | 9 | | |

সনা-সুদোকু-৩৪৬ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 4 | 9 | 3 | 2 | 6 | 7 | 5 | 1 |
| 2 | 3 | 1 | 8 | 5 | 7 | 9 | 4 | 6 |
| 7 | 6 | 5 | 9 | 4 | 1 | 2 | 3 | 8 |
| 6 | 1 | 7 | 4 | 9 | 8 | 5 | 2 | 3 |
| 4 | 5 | 2 | 7 | 1 | 3 | 8 | 6 | 9 |
| 9 | 8 | 3 | 2 | 6 | 5 | 1 | 7 | 4 |
| 3 | 9 | 4 | 1 | 7 | 2 | 6 | 8 | 5 |
| 5 | 2 | 8 | 6 | 3 | 9 | 4 | 1 | 7 |
| 1 | 7 | 6 | 5 | 8 | 4 | 3 | 9 | 2 |

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 04/11/19
Sl. No. : 5360
Valid : 02/11/19
Sl. No. : 4901
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 17/10/19
Valid : 10/10/19
Stk : 850
Time : 08.00 to 11.30 a.m.

# মিসন গগনয়ানগীদমক এষ্ট্রোনোট ৪ খনগৎলে ঃ ইশ্রো

*বেঙ্গালুরু, জনুৱারি ০১(এজেন্সি)ঃ* ইন্দিয়াগী আশা চাওরবা মী তোংবা মিসন ‘গগনয়ান’গীদমক এষ্ট্রোনোটশিং অদুগী ট্রেনিং জনুৱারিগী ৩শুবা চয়োলদগী রসিয়াদা হৌরগনি হায়না ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইশ্রো)না ফোঙদোকখ্রে।

মিসন অদুগীদমক এষ্ট্রোনোট ৪ খন্দোক্লে হায়না ইশ্রো চীফ কে সিবানা হায়খি অমসুং রসিয়ানা থা অসিগী ৩ শুবা চয়োলদগী এষ্ট্রোনোটশিং অদুগী ট্রেনিং চত্থবা হৌরগনি হায়নসু মখা তাখি।

চন্দ্রয়ান-৩ অমসুং গগনয়ানগী মরী লৈনবা থবকশিং মতম অমত্তদা চপ মান্ননা চত্থরক্লি হায়না মহাক্না হায়খি।

থাগী লৈমাইদা সোফ্ট লেন্দিং তৌনবা থাগৎখিবা, অদুবু শোয়বদগী হার্দ লেন্দিং তৌখিবা চন্দ্রয়ান -২গী বিক্রম লেন্দর অদুবু হন্দক্তা লৈফম পুথোকখিবা চেনাইদালৈবা টেক্নিসিয়ান অদুবু ইশ্রো চীফনা থাগৎখি অমসুং ক্রাস তৌখিবা মোদুল অদুগী পিকচর অদু ফোঙদোক্তনবগী স্পেস এজেন্সিগী পোলিসি লৈ হায়বগী ৱাফম থমখি।

ঐখোয়না মদু কদাইদা ক্রাস তৌখি অমসুং মদু কদাইদা লৈ হায়বদু খঙই হায়না মিষ্টর সিবানা হায়খি।

বিক্রম লেন্দর অদুনা শোয়খিবদু করিদগীনো হায়বা ৱাহং অমগী মতাংদা পাইবগী অয়াঙবগী খোঙজেন ভেলোসিটি অদু হন্থহনবা ঙমখিদবদগীনি হায়না মহাক্না হায়খি।

চন্দ্রয়ান ২গী মিসন অদু থাগী লৈমাইদা তারুনবা ইন্দিয়াগী অহানবা হোৎনবনি। থাগী সাউঠ পোলদা তপ্না তপ্না তানবা ইশ্রোনা থৌরাং তৌখিবনি, অদুম ওইনমক লেন্দর বিক্রমনা হার্দ-লেন্দিং তৌখ্রে হায়খি।

